

# হুইয়েন লানপাউ স্পোর্টস





লৈবাক অসিদা যোগসনাবু হেন্না মশক খঙনবা অমদি চাউখৎনবগীদমক্তা নেসনল যোগসনা স্পোর্টস ফেদসেরন লৈঙাক্লা রিকগ্নাইজ তৌখিবগা লোয়ননা চহী অসিগী খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ গেমসতা মশান্না অসি য়াওরগনি হায়না ফোঙদোকখিবা রিজিজু

মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা ফিফা ৱর্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী য়ুরোপিয়ন ক্বালিফায়িং মেটচ অমদা রিপব্লিক ওফ আয়রলেন্দবু পাঞ্জল ৩-২দা মায়থীবা পীখিবা সর্ভিয়াগী মায়কৈদগী পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখ্রবা অলেকজেন্দর মিট্রোবিচ

## কোভিদ-১৯না মরম ওইরগা চহী অমা চোন্থরবা মতুং টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী টৌর্চ রিলে হৌখ্রে




টোকিও, মার্চ ২৫(এজেন্সী):

কুমজা ২০২০গী জুলাই ২৪দগী হৌগনি হায়না তৌরম্বা টোকিও ওলিম্পিক গেমস কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা চহী ১ য়ৈথরবা মতুং চহী অসিগী জুলাই ২৩দগী হৌগনি হায়না শিল্লিবা অসিগা মরী লৈননা ঙসি জপানগী ফুকুসিমাগী জে ভিলেজ স্পোর্টস কমপ্লেক্সতা লৈরিবা ওলিম্পিক টৌর্চ অসি জপানগী সিটি শীনবা থুংনা পুগদবা রিলে ঙসিদগী হৌখ্রে।

টোকিও ওলিম্পিক্সকী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী চীফ ওইরিবা সৈকো হাসিমোটোনা ফোঙদোকখিবদা ওলিম্পিককী মৈরা অসিনা অমম্বা খূদিংগী লোইশিল্লকপদা মঙাল অমা লৈগনি হায়বদুগী খূদম ওইহন্দুনা মৈরা অসি তোঙান-তোঙানবা মফমশিংদা উৎকদৌরিবনি।

পূন্না লমজেল্লোয় লিশিং ১০না ওলিম্পিককী মৈরা অসি জুলাই ২৩দা টোকিওগী নেসনল ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্কদৌরিবা ওলিম্পিক গেমস হৌদোকপগী থৌরম অদুদা পুরক্ত্রিঙৈ মৈরা অসি তোঙান-তোঙানবা ফ্রি ফেকচর ৪৭ ফাওদুনা পুগদৌরিবনি।

মমাংগী চহীদা টৌর্চ রিলে অসি পাঙথোক্লনবা শেম শাবা লোইরম্লবনি। অদুবু কোভিদ-১৯না মরম ওইদুনা ওর্গনাইজরশিংনা মীয়ামগী মোত অমদি এক্সপর্টশিংগী ৱারেপকী মতুংইন্না চহী ১ য়ৈথোকখিবনি।

ঙসিদগী হৌখিবা ওলিম্পিককী মৈরা পুদুনা চেনবগী রিলে অসিদা করিগুম্বা লম্বেলদা ভাবোক য়াম্না পূনবা থেংনরবদি রিলে অদু মতেক-মতেক লেপ্পুনা কানবসু য়াই হায়রি। ওলিম্পিককী মৈরা অসি পুরকপগী লম্বেলদা মীৎয়েং তাগদৌরিবা মীয়াম্না শুংশোয় শোয়দনা মাস্ক উপকদবনি হায়রি।

ওলিম্পিক গেমস অসি পাঙথোকপা মতমদা মীরমদগী লাক্কদৌরিবা ভাবোক অমত্তা চঙবা য়ারোই হায়রি। লোয়ননা জপান মচাশিংনসু য়েংবা মতমদা মশীং য়াম্না হন্থগনি হায়রি। টোকিও ওলিম্পিক গেমসকী ওর্গনাইজিং কম্মিটিগী সী ঈ ও টোসিরোমুটোনা চয়োল অসিদা ফোঙদোকখিবদা, ওলিম্পিককী মৈরা পুদুনা চৎকদৌরিবা অসিনা জুলাই ২৩দা শুংশোয় শোয়দনা ওলিম্পিক অসি পাঙথোক্কনি হায়বসু মীয়ামদা উৎকদৌরিবনি।

## আই লীগকী অরোইবা মেটচতা মণিপুরগী নেরোকা এফ সী চেন্নাই সিটিগী মখূৎতা ১-২দা মায়থীখ্রে

কোলকাটা, মার্চ ২৫(এজেন্সী):

কোলকাটাগী কিশোর ভারতি ক্রিরাঙ্গনদা ঙসি নুংথিল শান্নখিবা হিরো আই লীগকী অরোইবা মেটচ অমদা মণিপুরগী নেরোকা এফ সী চেন্নাই সিটি এফ সীগী মখূৎতা ১-২দা মায়থীবা নংখ্রে।

পনবা য়াই, নেরোকা এফ সী লীগ অসিগী পোইন্ট টেবলদা খ্বাইদগী মমৈদা লৈখিবা মরম্না মথংগী সিজনদা হায়রিবা লীগ অসিদগী অমা হন্থনা লৈরিবা সেকেন্দ দিভিজন লীগতা শান্নরগনি।

ঙসিগী মেটচ অদুগী হৌরকপদা চেন্নাই সিটি এফ সীগী মায়কৈদগী সর্ভিয়া মচা দেমির এবদিকনা অহানবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি। অহানবা হাফ অদুগী লেমহৌবা মতম অদুদা নেরোকা এফ সীগী মায়কৈদগী ফনা কন্না হোৎনরবসু পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি।

অনীশুবা হাফ শান্নবা হৌখি। নেরোকাগী মায়কৈদগী ইক্বেলাইজর ফংননবা অরৈবা পাঙ্গল পুথোক্তুনা শান্নখি। মেটচকী অপীবা মতম মিনট ৯০ য়ৌরমদাই ফাওবা নেরোকা পাঞ্জল ০-১দা শোঋদুনা লৈখি।



অদুবু টিম অদুগী কেপ্টেন ওংনাম রোমটননা ৯০শুবা মিনট অদুদা ইক্বেলাইজর অদু চনখি। দ্রো চৎলগদ্রা হায়না খন্নরম্বা মেটচ অদু ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ৪শুবা মিনটতা চেন্নাই সিটি এফ সীগী মহমদ ইকবাল বিন হামিদনা পাঞ্জল ১গা চল্লগা নেরোকা এফ সীবু ২-১দা থোইখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদা আইজোল এফ সী অমসুং সুদেভা দেল্লী এফ সী লম্বা তৌনবদা আইজোল এফ সীনা ২-১দা থোইদুনা গ্রুপ বিগী ওইনা আইজে াল এফ সীনা পোইন্ট ২৪ ফংলগা মকোক ওইখি। আইজোল এফ সীগী মায়োক্তা ঙসি সুদেভা দেল্লী এফ সীনা শান্নবগী ৪৩শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল অদু চল্লগা মাঙজিল থাখি। পাঞ্জল অদু টিম অদুগী কিনলেভিসনা চনখিবনি। আইজোল এফ সী পাঞ্জল হন্দোকপা ঙমদনা লৈখি। অদুবু শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা আইজে ালগী রোমিন থাঙ্গনা ইক্বেলাইজর অদু চল্লবা মতুং ইঞ্জ্যুরি টাইমগী ৬শুবা মিনটতা ব্রেন্দননা পেনাল্টি অমা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ২-১দা থোইখিবনি।

## ইচৌ এফ সী, দব্লিয়ু দি ৱাই সী অমসুং টি ৱাই এস সী মায় পাকখ্রে, পি ৱাই এ অমসুং কে টি ৱাই ও দ্রো চৎখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস):

টি ৱাই এস সী তাওথোং খুনৌনা লমশাং নগর পঞ্চায়ট এরিয়াগী লমজিং মখাদা পাঙথোকপা অহানবা টি ৱাই এস সী থম্নাপোকপী ট্রোফি ৯-এসাইদ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১গী ঙসি শান্নখিবা তোঙান-তোঙানবা মেটচশিংদা ইচৌ এফ সী, দব্লিয়ু বি ৱাই সী অমসুং টি ৱাই এস সীগী মখোয়-মখোয়গী মেটচশিং অদু থোইবা ঙমখ্রে। অদুগা কে টি ৱাই ও অমসুং পি ৱাই এ পাঞ্জল চন্নদনা দ্রো চৎখ্রে।

ইচৌ এফ সী অমসুং আই বি এফ সী লম্বা তৌনবনি। অহানবা হাফ টিম অনীমক্কী মায়কৈদগী পাঞ্জল চন্নবা ঙমখিদে। অনীশুবা হাফতা ইচৌ এফ সীগী জর্সি নম্বর ১৭ বিশোরজিৎনা শান্নবগী ৩৮শুবা মিনটতা মেটচ অদুগী অমত্তা ঙাইরবা পাঞ্জল অদু চনবা ঙমখি।

অতোপ্পা মেটচ অমদা ৱাই এস এ অমসুং দব্লিয়ু দি ৱাই সী লম্বা তৌনখি। মেটচ অদুগী অহানবা হাফ হৌরকপা শুপ্নগী মিনট ৫ চঙশিল্লকপদা দব্লিয়ু দি ৱাই সীগী জর্সি নম্বর ১১ অলবিসনা পাঞ্জল ১ চল্লগা অহানবা হাফ অদুদা মখোয়না ৱাই এস এবু ১-০দা হেন্দুনা লৈখি। অনীশুবা হাফতা ৱাই এস এগী শান্নরোয়শিংনা ইক্বেলাইজর ফংনবা হোৎনরকখিবা অদু কান্নবা ফংদনা লৈখিবদগী মেটচ অদু দব্লিয়ু দি ৱাই সীনা ১-০দা থোইবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী য়ূম্বু ক্লব টি ৱাই এস সী অমসুং এল জে পি এফ সী লম্বা তৌনখি। মদুদা টিম অনীমক্কী শান্নরোয়শিংনা হৌরকপদগী পাঙ্গল মান্ননা শান্নবা ঙমখিবদগী অহানবা হাফ অদুগী অপীবা মতম লোইশিল্লকপা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি। অনীশুবা হাফ হৌরকপা ইকুই কুইদ্রিঙৈদা টি ৱাই এস সীগী মায়কৈদগী এটেক অমা চথরকপদা মেটচকী ২৭শুবা মিনটতা টি ৱাই এস সীগী শান্নরোয় জর্সি নম্বর ১২ অনাসনা পাঞ্জল চল্লগা মেটচ অদু মখোয়না এল জে পি এফ সীবু ১-০দা থোইবা ঙমখি।

ঙসিগী অতোপ্পা মেটচ অমদা কে টি ৱাই ও অমসুং পি ৱাই এ লমশাং লম্বা তৌনবদা অহানবা হাফতগী টিম অনীমক লম্বা মান্ননা শান্নরকপদগী পাঞ্জল চন্নখিদে। অনীশুবা হাফতসু মখা তানা নাকল অনীগী শান্নরোয়শিং অদু লাকশিনবা ঙম্নদবদগী পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা কে টি ৱাই ও অমসুং পি ৱাই এ লমশাং দ্রো চৎখি।

## নেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ পাঙথোক্লগনি : হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস):

লাক্কদৌরিবা মার্চ ২৭তগী ৩০ ফাওবা ২৬শুবা নেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ ২০২১ খুমন লম্পাক ইন্দোর ষ্টেদিয়মদা পাঙথোক্লগনি হায়না হুয়েল লাংলোন থাঙ-তা এসোসিএসন, মণিপুরগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা প্রেমকুমারনা হায়খি, চেম্পিয়নশিপ অসিগীদমক ইন্দিয়াগী ষ্টেট পূম্নমক্তা ইনভাইট তৌবনি। থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী মখাদা লৈরিবা পূম্নমক থাঙ-তা অসি খেলো ইন্দিয়া য়ুঠ কেম্পতা মিনিষ্ট্রি ওফ স্পোর্টসনা রিকগ্নিসন পীরবনি। মসিদা ষ্টেট পূম্নমক্তগী লাক্লবা শেম-শাবা লোইরবা মতম অসিদা ইখঙ খঙহৌদনা ষ্টেট ১০গী মথক্তা লাক্লরোই হায়রিবসিনা অৱাবা ওইহল্লে। অদুবু নেসনল থাঙ-তা চেম্পিয়নশিপ অসি অদুম পাঙথোক্লগনি। মণিপুর য়াওরগা ষ্টেট ১৭না চেম্পিয়নশিপতা শরুক য়ারগনি। মণিপুর য়াওনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদগী লাকপা পূন্না মীওই ৫৫৮না শরুক য়াগনি। তোঙান-তোঙানবা কেটগোরি খায়দোক্কনি। নেসনল চেম্পিয়নশিপ অসি পাঙথোকপদা কনাগুম্বা দোনরদগী শেল খায়জদে। থাঙ-তা ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়াগী শেল খিত্তং লৈজবা অদুগা ষ্টেট-ষ্টেটতগী লাক্লিবা শান্নরোয়শিংদগী এন্ত্রি ফী খরা লৌরগা ষ্টেটনা কনট্রিব্যুট তৌরকপা অদুগনা পাঙথোক্কদৌরিবনি।

কে এস ওগী বন্দনা মপান ষ্টেটতগী লাক্কদৌরিবা ওজা অমদি শান্নরোয়শিংবু অয়েৎপা পীবীদনবা এসোসিএসন অসিনা হায়জরক্লি। চেম্পিয়নশিপ অসি হৌদোকপগী থৌরমদা মিনিষ্টর টি ঐচ বিস্বজিৎসু শরুক য়াগনি হায়রি।

## লিশমলোকনা পোইরৌবু থোইদুনা ২শুবা ওল ট্রাইবেল ভিলেজ ওপন ফুটবোল চেম্পিয়ন ওইখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস):

ৱাংখেম এসেমব্লি কন্সটি-ট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা লিশমলোক ভিলেজদা ভিলেজ ১৪গী টিম ১৫না শরুক য়াদুনা গ্রুপ ৪ থোক্লা খায়দোক্তুনা থা অসিগী ২২দগী চথরকখিবা অনীশুবা ওল ট্রাইবেল ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২১ ঙসি লোইশিনখ্রে।

লোইশিনবগী নুমীৎকী শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা লিশমলোক এফ সীনা পোইরৌ এফ সীবু পাঞ্জল ২-০দা মায়থীবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা বি জে পি মণিপুর প্রদেশকী এস সী মোর্চাগী ভাইস প্রসিদেন্ট লাইশ্রম দোমেন, সোসল ৱর্কর পরহাই মোরুং অমদি লিতান পুলিস ষ্টেসনগী ওফিসর ইন-চার্জ ৱোরচুপেম ঙালুংনা শরুক য়াদুনা টুর্নামেন্ট অদুদা মকোক-মথং তাখ্রবশিংদা মনা-মথুমশিং য়েন্থোকখি হায়রি। টুর্নামেন্ট অদুদা টিম মশীং য়াম্না লাকখিবা অসি মশান্না অসিদা থৱায় য়াওবগী চপ চাবা খূদমনি।

## অসাম রাইফলসনা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ শীনখ্রে



ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস):

অসাম রাইফলসনা মীয়ামগা খূৎশম্নমা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপগী মতাংদা লেপ্পা লৈতনা চথরকপগী মনুং চন্না ক্বাথা ভিলেজদা অসাম রাইফলসকী ট্রুপশিংগা ক্বাথাগী নহাশিংগী ওইবা ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অমা শীনখ্রে।

ফ্রেন্দলি ফুটবোল মেটচ অদু শান্ন-খোৎনবা অমদি হকচাং ফনা লৈবা অমসুং শান্নবগী স্পিরিট ফংহন্নবা অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী শীনখিবনি।

ভিলেজ অদুগী চীফনা অসাম রাইফলসকী মায়কৈদগী চথরক্লিবা থবক থৌরমশিং অদুনা মীয়ামদা অসাম রাইফলসকী মরক্তা অফবা মরী অমা পুরকপা ঙম্লিবা অসিগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোকখি।

## শরিৎ-শরাক থাঙ-তাগী ট্রেনিং পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫(ঐচ এন এস):

ইষ্টর্ন থাঙ-তা ওর্গনাইজেসন তাংখমনা শীন্দুনা নুমীৎ হুম্নিগী ওইবা চথরকখিবা শরিৎ-শরাক থাঙ-তা ট্রেনিং প্রোগ্রাম অমা ঙরাং তাংখম মখা লৈকাইদা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা ওর্গনাইজেসন ১৩দগী লাকপা ওজ াশিং অমদি মহৈরোয়শিংনা শরুক য়াদুনা মপূং ফানা লোইশিনবগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদু মরুওইনা লমদম অসিদা লৈরিবা হুয়েল লাল্লোং, শরিৎ-শরাককী মহৈ অসিবু খঙ-হৈরবা ওজাশিংনা তোঙান-তোঙানবা লূপশিংদা লৈরিবা মহৈরোয়শিংদা তাকপী-তম্বীদুনা ওজা অমগা ওজা অমগগী মরক্তা লৈরিবা খেন্নবা মহৈশিং অদু পূন্না খঙহন-হৈহন্নবগী পান্দমনি।

## অম্ফানা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে

ইম্ফাল, মার্চ ২৫ (ঐচ এন এস):

ওল মণিপুর ফুটবোল এসোসিএসননা হান্না মণিপুরগী নেসনল প্লেয়র ওইরম্বা টি ঐচ কৃষ্ণকুমার (৬২)না ঙরাং লৈখিদবদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি।

মহাক লৈখিদবদা ষ্টেট অসিদা ফুটবোল মশান্নগী ওইনা চাওনা মাঙজবা অমা লৈরগনি হায়না অম্ফাগী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি। লোয়ননা মহাক্কী ইমুং-মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়রি।

অম্ফাগী অতোপ্পা পার্ট অমদা এসোসিএসন অসিনা শীন্দুনা কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসনগা খূৎশম্নরগা থা অসিগী ২৮দগী এপ্রিল ১ ফাওবা মপান কাংজৈবুংদা চথগদৌরিবা ১০শুবা ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট কংলৈপাক ফুটবোল ট্রোফি ২০২১ মপূং ফানা পাঙথোক্লবগীদমক্তা ওফিসল ১০ খল্লে হায়না ফোঙদোরকখি।

মখোয়শিং অদুদি রেফরি এসেসরদা কে ঐচ মোধুচন্দ্র, মেটচ কম্মিস্নর এস ভুবোল অদুগা রেফরিগী থৌদাংদা টি ঐচ কিরনজিৎ, কে ঐচ রঞ্জিৎ, এন ইবুংঙো, এল গোকুলানন্দ, কে অজিৎকুমার, এ শাফবা, এল রাজা অমসুং এ দিলিপনি।

হায়রিবা ওফিসলশিং অসিনা থা অসিগী ২৬কী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা রেফরি এসেসর ওইরিবা কে ঐচ মোধুচন্দ্রদা অম্ফাগী ওফিসতা রিপোর্ট তৌরগদবনি হায়রি।


S³ Coaching Centre
STEPS TO SURE SUCCESS
Education with Care
Nagamapal RIMS Road Corner Near Traffic Island

ADMISSION IS GOING ON FOR

DON'T MISS | DON'T MISS

LAST MINUTE REVISION
Class X & XII - 50% Discount

SUBJECT
XII - Math, Chemistry, Physics & Biology (one subject Free)

SUBJECT
X - Math, Science, Meitei Mayek & Social Science (one subject FREE)

Day Boarding for
NAVODAYA & SAINIK
Entrance Coaching

NEET - 2021
REVISION FOR CHEMISTRY STARTING FROM 3RD MARCH

FOUNDATION COURSE
for class XII starting from March and IX, X - from 15th, 20th & 23rd Feb., 2021

50% DISCOUNT ON FIRST TWENTY STUDENTS

| Class - Timing | |
|---|---|
| Morning 6am - 9am | Evening 3pm - 7pm |

HOME TUTORS AVAILABLE FOR CLASS VI To XII

Special Features:
* Regular test on every chapter
* Thorough analysis on previous year questions
* Perfect expected question suggestions
* Faculties are Perfect & Expert
* Van Service
* Individual attention
* Extra Class for Weak Students

Please Contact #9362333159 BETWEEN 7AM TO 6PM

HL-B/6801/20/2-21/3



SMART TUTORIAL CENTRE
Singjamei Super Market
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE 2021-2022

CLASS X & XII (Science, Arts, Commerce)
BOSEM, COHSEM & CBSE

GENERAL FOUNDATION COURSE
SSC, Bank PO, NDA, CDS, SBI, IBP
OTHER COMPETITIVE EXAM
NEET, IIT JEE


SUB : ALL DURATION : 5 & 6 Months
AVAI. : VAN & HOSTEL (MORNING & EVENING)

STARTS ON 9 APRIL & 21 APRIL 2021
MEGA TEST 2021

| CLASS | X (9-12 A.M.) | XII (1-4 P.M.) |
|---|---|---|
| 07/4/21 | English | English |
| 10/4/21 | MIL | Phy/Hist |
| 12/4/21 | S.S | MIL |
| 15/4/21 | Maths | Chem./Sociology |
| 19/4/21 | Science | Bio./Geo. |
| 21/4/21 | Optional | Maths/Pol. Sc. |

HL-P/8727/31/1-9/4


## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 63**

**Ulibin,M (2555) - Bezold,M (2490)**

**Rilton Cup Stockholm SWE (6), 1999.01.03**

| | | | |
|---|---|---|---|
| 1.d4 d6 | 2.Nf3 Bg4 | 3.c4 Nd7 | 4.e4 e5 |
| 5.Be2 Be7 | 6.Ng1 Bxe2 | 7.Nxe2 Bg5 | 8.Nbc3 Bxc1 |
| 9.Rxc1 Ne7 | 10.O-O O-O | 11.Qd2 Nb6 | 12.b3 c5 |
| 13.d5 a6 | 14.g3 Nd7 | 15.f4 Rb8 | 16.a4 Qb6 |
| 17.Rb1 f5 | 18.Kg2 h6 | 19.fxe5 Nxe5 | 20.Nf4 Rf7 |
| 21.Ne6 Qb4 | 22.Qc2 fxe4 | 23.Rxf7 Nxf7 | 24.Nxe4 b5 |
| 25.axb5 axb5 | 26.Ra1 bxc4 | 27.bxc4 Qb7 | 28.Kh3 Nxd5 |
| 29.cxd5 Qxd5... | | | |

**QUESTION :**

**White wins in 3 moves**

**Puzzle 62 Ans. :**

**38.**...Kc6 **39.**b7 Rxb7 **40.**Rc3+ Kd7 **41.**Bh3+ f5
**42.**gxf6+ Ke8 **43.**Rxc8+
**43.**Bxc8
**39.**b7 Be6 **40.**Bxa6 Kc7 **41.**Rc3+